# মশক নাইবা থিএটর এক্টর থিঙুজম ভোগেনসু নমদুনা পুবিখ্রে

*-নানি*



হন্দক্কী কোভিদ সেকেন্দ ৱেভ অসিদি ওন্থোক্লা মীনুংশি খঙখিদ্রে, য়াম্না তমথীখ্রে। ঐখোয় অঙাং ওইরিঙৈদগী তারকখিবা পেন্দমিক অমগা লৈখি। কোলেরা হায়বা ঈশিং পুকচৎ অদুনা মালেমগী মীওই কয়াগী থৱায় লৌখিবদা মণিপুরদগীসু ফনা য়াম্না য়াওখি। লৈকায় অমদা মী য়াম্না শিখি। লৈকায়গী ৱা তোক্লগা, ইমুং অমদা মী অনী/অহুম হেন্না শিবা য়াওখি হায়না অহল-লমনশিংনা ৱারী লীবিরকখি। মদু তাবদা য়াম্না কিখি। হৌজিক্লা কোভিদ-১৯ হায়বা অসিনি। উচিন-নাচিন্না অহানবা ৱেভ অদুমদি নান্থোক্তুনা খরা ঈং-তপ্লা লৈনরুরবনি। মতমদুদসু হায়নখিবদি লৈবনি, সেকেন্দ ৱেভ লাকখিনি, মদুদদি হেন্না শাথীরক্কনি, চেকশিনসি হায়না। হৌজিক সেকেন্দ ৱেভ হায়বদুগী পিক অদুমক্তি য়ৌদ্রি, হেনজিল্লকখিগনি। অসিমক্তদা লমদমসিগী শক্লাইরবা কয়া কয়া পুদুনা চৎখ্রে। কয়া অমসু হৌজিক হৌজিক হোস্পিটালগী ফমুংদা অশি-অচংগা থৌরি চিংনরি। হৌজিক লৈকায় খুদিংমক্তা লাইচৎ অসিগী অনাবা লৈতবা য়াওরক্ত্রে।

পান্থোইবী নাত্য মন্দির, য়ূম্নাম লৈকায়গী মশক নাইরবা, লমদমসিগী ওইনা শিংথাবদা খূৎ থেকপা য়াওরিবা এক্টর থিঙুজম ভোগেনসু হন্দক্তা মে ১১, ২০২১দা ঐখোয়দগী নমদুনা পুবিখ্রে। য়াম্না পাম্মুবা মীশক অমনি। মণিপুরী থিএটরগীদমক য়াম্না ৱাজরম্বনি, য়াম্না চেঞ্জরম্বনি। মণিপুরদা clown tradition বু হিংগৎহন্নবা হোৎনবদা পান্থোইবী নাত্য মন্দিরগী ওজা য়ূম্নাম রাজেন্দ্রগা লোয়ননা ফনা কন্না হোৎনজখিবনি। ওজা য়ূম্নাম রাজেন্দ্রগী লমজিং মখাদা Clown Workshop কয়া পাঙথোক্তুনা মণিপুরগী ত্রেদিসনেল ফাগিবু হিংগৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌজরকখিবনি। পান্থোইবীগী থৌরম খুদিংদা মায়পুননা য়াম্না থৱায় য়াওনা চেঞ্জরকখিবা ঐখোয়না ঙল্লিঙৈদগী হৌনা উরকখি।

মহাক লৈখিদ্রে হায়বগী পাউ অসি কংলৈ মাইম রিপরটরি থিএটরগী দাইরেক্টর ৱাই সদানন্দ (বোবি) না পাউ অসি সোসল মীদিয়াদা থাগৎলকপদগী খঙখিবনি। তাবদা য়াম্না নুংঙাইখিদে, তুজংবা ফাওখি। হৌখিবা থৌদোক কয়াশিং মথং-মথং নীংশিংলকখি। মীত্তা মহাক্কী নোকফেৎ তৌবা, মখোল হৌদবা ৱাঙাঙশিং তারকই। মহাক্কী মরমদা করিগুম্বা ৱাহৈ খরদা ওইরসু ইনীংখি, মীয়ামদা খঙহন্নীংখি। অদুনা সদানন্দদগী মচং ওইবা পাউ খরা খোমজিন্দুনা ৱারেং মচা অসি ইজদুনা মীয়ামদা পাউদমজরি। পিশক পিক্লিঙৈদগী হৌনা ইতোপ তোপ্লা হৌরকখি। মহাক্কী পামজবদু তপ্লা তপ্লা ফোঙদোরকপদুনা, লৈকায়গী স্পোর্টসনচিংবা পাঙথোকপদা মাইক পায়দুনা লাউবা, মীয়ামগী পূক্লিংবু খোনবা ঙমখিবদগী হেন্দোক্তুনা ওন্থোক্লা পকচখিবা মীশক অমা ওইনা লাকখি। কুমজা ১৯৭৮গী অদুৱাইদগী পান্থোইবী নাত্য মন্দির, য়ূম্নাম লৈকায়দা থিঙুজম ভোগেন থিএটরদা খোঙ থাংজিনবা হৌরকখি। লোয়ননা, পান্থোইবীগী প্লেশিং - **মতম্বাক্তা, লাই খূৎশাংবী**নচিংবা কয়াদা কুমখি। মপান ষ্টেটশিংদা পাঙথোকপা থিএটর ফেষ্টিবেল কয়াদা শরুক য়ারকখি। পান্থোইবী নাত্য মন্দিরগী সেক্রেটরি ফাওবা ওইদুনা মণিপুরী থিএটরবু ইনখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখিবা মীশক অমনি। চাওরাক্লা লীলা তৌই হায়না তৌনরিবা অসিদগী থোইদোক্লা মহাক্তি মশক থোক্লা তৌরকপা মীশক অমা ওইখি। পান্থোইবী নাত্য মন্দিরগী মমিং লৈরবা লীলা অহুম - **মাঞ্জগী কাঙথোল, লৈহাওগী মোম্পাক, শানৌগী কাঙ্খল** হায়রিবা প্লেশিং অসিদা মহাক্না লৌখিবা রোলশিং অদুদি অঙকপা অমা ওইখি। প্লে অহুমসিমক্তি মহাক্কীদমক হায়দু তাখিবনি। মহাক্না অহল শাবা অদুদি ঙসি ফাওবা কনামত্তনা কাউবা ঙম্নদ্রি। নোকপদা পূক্লি পায়না নোকখিবা প্লে ঙাক্তনি। য়াম্না চুশিন্নখি। অদুঙৈ ফাগিগী নিংথৌরেলনি হায়নরিবা ওইনাম বাবুনা হনুবী শাবগী নেচর অদুমকনি। থোইদোক্লা মেক-অপকী ৱা ঙাক নত্তবদা ইচম চম্বা ফিজেৎ অমদি বোদিগী মুভমেন্ট, দাইলোগ দেলিভরি কয়া অদুনা মহাক্কী রোল অদু মানা হোইদুনা পুরগা চৎখি। অয়েংবশিংনা খূবাক য়াম্না খূখিবা অতাঙবা এক্টরনি। ঐগা মহাক্না খঙনখিবসু মাঞ্জগী কাঙথোল হায়বসিগী মমাঙদা পান্থোইবীগী লীলা খরদগী খঙনবা হৌরকখিবনি। অদুবু মাঞ্জগী কাঙথোল পুথোরক্লবা মতুংদদি য়াম্না হেন্না নকশিন্ননা লোয়নখ্রে। ঙাঙথোক-শক্তোরকপদা য়াম্না ঈং-তপ্পা, মোং হাদবা, নোকপদা মমিৎ অনীদুসু য়াওনা নোকপনি, রাশি য়াম্না লৈনা ৱা ঙাঙবনি। মতৌ ইমান মান্দনা মাগা ৱারী শানবসি নোক্তবা ঙমদবনি। অদুবু মহাক ফাগি তৌবা মীশক অমা ওইনদি মীয়াম্না খঙনখিদে। ঐতনদি মহাক ফাগি হৈতে হায়বা ঙল্লোই। মহাক ফাগি নিংথিনা শেম্বা হৈবা মীশক অমনি হায়না হায়গনি। থবক চিন্নবনিনা পাক্লসু উনদে, অমুক অমুক উনবদা ফাগি ৱারী শাদুনা ৱা-ৱা নোকমিন্নে।





হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী ওগষ্ট ১০দা কংলাদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমদি ইনভাইরনমেন্ট দিপার্টমেন্ট অনী য়াওনা শিনবা উ-থাবগী থৌরম অমদা ঐসু য়াওখি। ঐগী পুন্সিদা উ-পাম্বী খ্বাইদগী য়াম্না থাবা নুমিৎসু মদুনা ওইখি। নুমিৎতুদা মহাক্না ঐঙোন্দা **নুরাহৈ** হায়বা মণিপুরদা মাঙশিল্লক্লবা পাম্বী চারা অমা পীদুনা হায়খিবদু ঙসিসু কাউদ্রি, - ওজা, নুরাহৈ হায়বসি অঙনবা মতমদা মৈতৈ লৈশাবীশিংনা লিপষ্টিক হায়বদু করিনো খঙদ্রিঙৈদা মসিগী হৈ অসি চারগা চিনবান ঙাংশঙ ঙাংনা লিপষ্টিক থাবগা চপ মান্নরা ফজনরম্মী হায়নৈ। মহৈসু মুল্লগা য়াম্নসু হাওবনি, মসি থাবীয়ু, হৌহনবীয়ুকো"। হৌজিকসু হৈদু ঐগী য়ূমদা হৌরি। পাম্বীসি উবদা ঐ মাবু হেক্তা নীংশিংই। নুরাহৈনা চাওখৎলক্লিবা খুদিংগী ভোগেনবু খক কাউবা য়ারোইদৌরি। মসি ঐগী পুন্সিসিদা লোয়নদুনা অদুম লৈরগনি।

মণিপুরী থিএটরদগী খজিক হাইদোক্লগা টি ঐচ ভোগেন মহাক্কী পুন্সিগী শিনফম অমা ওইনা দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দেপ্যুটি দিরেক্টর অমা ওইনা থৌ পুরমখি। মহাক্না ফম অসি পায়রকপদগী লমদম অসিদা হোংলক্লিবা অঈং-অশা নাইরক্তবা, গ্লোবেল ৱার্মিংনা মালেম অসিগী মীয়ামদা পীরক্লিবা অমদি হেন্না পীরক্কদৌরিবা চৈথেং কয়াগী মতাংদা মরু ওইবা ৱাখল্লোন কয়া পুথোক্তুনা শিংথানীংঙাই ওইবা থবক তৌরমখি। রিমস হোস্পিটালগী অকোয়বগী ফীভম করম্না হেন্না ফজহনবগা লোয়ননা অনা লায়েংদা হেন্না কান্নগদবা ওক্সিজেন হেন্না মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্বা করম্বা পাম্বীশিং থাবনা ফগদগে হায়বগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমদুনা থবক ওইনা পায়খৎলমখি। হৌজিকমকসু রিমসকী চঙফমদা অমদি অকোয়বদা থারিবা উ পাম্বীশিং মহাক্কী লমজিং মখাদা শেমগৎ শাগৎলম্বনি। মসি নত্তবদা ঐমক্লা খঙজবদা, কংলা মতম চুপ্পগী ওইনা পুমশঙ শঙনবা হোৎনবদা মহাক্কী ৱাখল্লোন য়াম্না য়াওখি। লোয়ননা থবক ওইনা নীংথিনা পায়খৎলমখি। মহাক্না পায়খৎলম্বা অমদি হোৎনজরম্বা কয়া মপূং ফাদনা তাইবঙ মপুনা হাথু-হাথুনা মহাকপু লৌশিনবীখিবা অসিমদি তশেংনা নুংঙাইতে। তাইবঙদা লৈরিঙৈ মতমদা, লৈবাক্কী তুংলমচৎকী য়াইফনবা থৌরম কয়া শিন্থাবদা চোকথখ্রবা মহাক্কী থৱায় মিরেলনা মপু মাগী মনাক্তা ঈংনা-চিক্লা পোত্থাদুনা লৈবা ওইরসনু।



## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৬।০৫।২০২১ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ১০.০২ ফাওবা কালেনগী ৪ পাল্লি, মতুংদি ৫নি পাল্লনি।

মেষ: নিংবা থুংবা, অফা-অপুন্নবা কোকপা, নথক থোংবগী মতেংনা লনথুম ফংবগী নুংঙাইবসু লৈগনি। ময়াম্না চানবী অদুবু হুৱানবদৈদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা লৌগনু-ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ: পাউ নুংঙাইতবা তাবা, লৌশিং ফুদোকপা ৱাৎপা অমদি মরুপ মপাং কাইনবগী নুংঙাইতবা লৈরসু মীয়াম্নদি থাগৎপিবা/চানবিবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইনা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন: নিংবা থুংবা অমদি ৱাখল থোকপা নুমিৎনি। হকচাংসু নুংঙাইবা হেনগৎপা অমদি মরুপ মপাংনা থাগৎপিবা লৈ। য়েক্লবনদি খোইশাওনহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট: ঙাংশকপা হৈবা, অরং অরাক ফংবগুম নুংঙাইবা অমদি ঐগী ওইবা মীশিংগা নুংঙাইনা লৈমিন্নবা নুমিৎনি। চরাংনরদি মাংজবনা হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়েৎনরুনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ: অফবা ৱাখল থাদবা ঙম্বনা ৱাখল তান্নরমদবা কয়াসু তান্নথোকপা য়াগনি। ওইদবনা উপাই ওইগে খনগনু-থবক মাংগনি। অনমসু তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা: মৈ অমদি লৈঙাক্কী লমদা চেকশিল্লু। নিংবদি থুংগনি অমদি লন চাওখৎকনি অদুবু মীনা পাউ থোকপীবসু লৈ। হুৱানবদগী চেকশিল্লা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা: মুক্লবনা পামদবা নংগনি, নোল্লুক্লা চৎলু।হন্থবা লোইনবা/য়েৎনবনা লন মাংগনি। মীংচৎ হেনগৎপা য়াবা অমদি কিদবনা কান্নবদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক: মরুপ মপাং অমদি নংগী ওইবা মীশিংগী মতেং ফংগনি। থিবা হুম্বা কনবৈ কান্নবসু লৈ। অদুবু চিন কনগনু অমদি অঙম্বনা য়ানবা চৎপা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - অনিংবা ফোংদোকপা য়াদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

ধনু: ঙসিসু চাওনা মাই পাক্কনি, অরাপ্পা মীগী মতেং ফংগনি অমদি নুংঙাইবা পাউ খরসু তাগনি। অদুবু মীয়ামগা লৈনবা মরিদি ফত্তে-ঈরাং পুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা খরদি চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মকর: নাপল অমদি চিন কনবা থাদোকউ-মাংগদবদগী কনগনি। থৌনাদি হনগনু অমদি নিংবদুমক হৈনা পাংবদি য়াগনি। খুৎচাও থাবসু মতাং চাই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

কুম্ভ: হকচাং নুংঙাইবা অমদি লৌশিং থোকপা ৱাৎকনি-হোয়া ফগনু। পীগী পাউতাক লেবা, ৱাঙাং অমদি থৌরম য়াৎপা হৈবনা অৱাবদি কোক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মরুপকী মতেং লৌবা য়াগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন: য়েৎনবদা মাই পাক্কনি, অরাপ্পা/শকখংদবগী মতেং ফংগনি অমদি ইমুং মনুংগী ৱা লুম্না লৌবা ফৈ। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎকনি, নাপল তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কল্লু-কান্নগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## হুইয়েন জোক্স

ওজা অমনা এগজামদা এসে ইনবা হায়রম্মী। এসেগী টোপিক 'অতনবা হায়বসি করিনো?' হায়বসিদা লমায় মরিদা ইগদবনি। মহৈরোয় অমনা লমায় অহুম পুমহাং হাংহল্লবা মতুংদা মরিশুবা লমায়দা অচৌবা ময়েক্তা ইরম্মী 'মসিনি অতনবা হায়বদু।'

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

তোমচা মোবাইল কম্পনি অমদা জোবকী ইন্টরভিয়ু অমা য়াওবা চৎলুবদা অহানবা ৱাহং হেক হংবগা মদুগী পাউখুম ফংবদা মহাকপু তান্থোরকখি।
ৱাহং : ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী চাওবা নেটৱর্ক করম্বনো?
তোমচা : কার্টুন নেটৱর্ক...!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

মনাও : নাগামপাল পার্কিং ফাওবা চৎপদা লুপা কয়া লৌগনি?
রিক্সো : লুপা ৫০।
মনাও : চৎলো লুপা ২০ য়ারো।
রিক্সো : লুপা ২০দা কনানা চৎকদৌরিবনো?
মনাও : নঙনা তুংদা ফম্লো ঐনা থৌরগা চৎকদৌরিবনি।

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

অনোইবা নুপামচা : দোক্টর ঙরাং ঐগী পুকসি য়াম্না নাই।
দোক্টর : চাক কদাইদা চাবগে?
অনোইবা নুপামচা : হোটেলদা চাই।
দোক্টর : নুমীৎ খুদিংগী হোটেলদা চাক চাগনু।
অনোইবা নুপামচা : ফরে দোক্টর, হয়েংদগী হোটেলদা চাররোই, হোটেলদগী পেক তৌহল্লগা য়ূমদা ওইনা পুরগা চারগে...!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

জেলদা লৈবা মীওই অনী মনাও অমদি তোকনাউ ৱারী শান্নরম্মী -
মনাও : নঙ করম হায়না জেলদা লাকখিবনো?
তোকনাউ : বেঙ্কতগী পৈশা হুরাল্লগা পৈশা মশিং থিরিঙৈদা পুলিসনা ফাবনি।
মনাও : পৈশা হুরাল্লবা মতুংদা বেঙ্গদা ফমদুনা পৈশা থিবগী করি মথৌ তাবগে?
তোকনাউ : বেঙ্ককী কাউন্টরদা ইরিদুদি কাউন্টর থাদোক্লমদাইদা পৈশা থিরগা য়েংবিয়ু। মতুংদা মদুগী দায়ত্ব লৌরোই হায়না ....!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

মপুরোইবা : ঐ অমুক হন্না লুহোংলগনি।
নুপী : করিগীনো?
মপুরোইবা : অহানবগী লুহোংবগী ফোটো সোসল মীদিয়াদা থাগৎপদু লাইক য়াম্না তৌরকখিদে...!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

মপুরোইবা অমদি লোয়নবি পুন্না মফম অমদা কোয়বা চৎলম্মী। লম্বীদা গধা অমা চৎপা উরম্মী। মদুদা নুপীদুনা ফাগী তৌরদুনা হায় - নঙগী মরি মতানি খুরুম্মু।
মপুরোইবা : খুরুমজরি ইকুবোক ...!

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা ড্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title: Night Scenery
By : Konjengbam Arcy Devi
Class : VI
Address: Moirang Thana Mamang Leikai



Title: Wolf Howling
By : Leah Akoijam
Class: IV Sec: B Roll No.: 16
School : Tiny Tots' Unique School




Title: Flowers
By : Phylicia
Class: I Sec: E Roll: 18
School : Tiny Tots' Unique School



Title: Coronavirus
By : R.K. Arjunsana
Class: III Sec: A Roll No.: 24
School : Bethany School, Guwahati




Title: Girl
By : Tomthilnganbi Laishram
Class : I Roll No. 6
School : Laisukol



Title: Beach
By : Tomthinganba Y
Class: IV Sec: Marron Roll No.: 20
School : Lee Faith School



Title: Toothless
By : Trishil Laishram
Class : II Roll No.: 24
School : SL. Arena of Learning



Title: A Snow White
By : Trishini Laishram
Class : II Roll: 25
School : SL. Arena of Learning



Title: One Punch man
By : Harananda
Class : X
School : Tiny Tots' Unique School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।